# এডিটোরিয়েল

## আর্ট এন্দ কলচরদা মীৎয়েং চংলকপা

শ্রী এন বিরেন সিংহনা লুচিংবা ঙসিগী লৈঙাক অসিগী য়াম্না তোঙানবা মীৎয়েং অমা হায়বা তারগদি মহাক্না লমদমসিগী স্পোর্টস পার্সনশিং অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা থল্লকপা মীৎয়েংশিং অসি ওইগনি খল্লি। হৌজিক মীয়াম্না নৎত্রগা মমাংগী লৈঙাক্না হায়রিবা হীরম অনি অসিদা মীৎয়েং চংলমদবদগী লমদমসিগী শান্নরোই কয়া মপান্দা লৈবা ক্লবশিংনা লৈখিবা অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী তোঙান–তোঙানবা সেক্টরশিংদা ইমপ্লোই ওইনা থবক তৌখিবদগী স্টেটকী মায় ঙাক্লবা শান্নরোইশিং পুথোকপা ঙমদবগী ফীভম অমদা লাকখিবনি হায়বসি ঙসিগী লুচিংবনা খঙনা থবক পায়খৎলকপা অসি স্টেটসিগী শান্নরোইশিংগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি। নাকল অমরোমদনা স্টেটসিগী ওইনা মালেমগী মফম পুন্নমক্তা শকতাকপা ঙমখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী লম অসিদা হৌখিবা চহি কয়া অমদা শোগ্দুনা লৈরমখিবা কয়াদু মেনখৎনবা হোৎনবগী মীৎয়েং অমসু নৌনা মীয়াম্না উরি। আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা থবক তৌরিবা মণিপুরগী গ্রুপশিংনা মমাংদগীসু হায়রিবা দিপার্টমেন্ট অসি মেজর দিপার্টমেন্ট অমা ওইহনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি অমসুং হায়রিবা দিপার্টমেন্ট অসি য়ামদ্রবদা সেনিয়ার এম সি এস নৎত্রগা আই এ এস ওফিসার অমানা পুহনবগী মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রে। হন্দক হায়রিবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ইন–চার্জ দাইরেক্টর অমা ওইনা এম সি এস ওফিসার অমা হাপ্লকপা অসি মীয়াম্না অচৌবা অনিংবা অমা থুংহল্লে হায়না লৌনরিবনি। মালেমগী মনুংদা মণিপুরবু শকতাক্লিবা অসি আর্ট এন্দ কলচরনা অহানবা ওইনা লৈরি অমসুং মদুগী মখা তারকপদা স্পোর্টসনা হায়বদি মশান্না কয়াদা মীথোই–মীহেল্লকখিবা মীওইশিং অদুনা মপূং ওইরি। শন্না হায়রবদা আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা হায়বা তারগদি মণিপুরি জগোই অসিবু ইন্দিয়ান ক্লাসিকেল দান্স ওইনা শক খংখিবা মতম অদুদগী মণিপুরীশিংবু মালেমগী মীওইশিংনা তোঙানবা ইন্দিজিনস পীপল ওইনা শক খংখ্রবনি হায়না লৌবা য়াই। মসিগী মতাংদা হায়নিংবা অমনা মণিপুরিশিং অসি মশা–মশাগী তোপ–তোপ্পা মগুনশিং অদুনা মরম ওইরগা মালেমদা শক তাক্লকখিবা মীওইশিং অদুদগী মখা তানা মালেমগী লৈবাকশিংনা মণিপুরবু থিরকপা ওইনা লৌবা য়াই হায়বসিনি। নিংথৌ পানবা স্টেট অমা নীং–খা তন্না পাল্লিঙৈ মতমদা নিংথৌগী সপোর্ট য়াওরবা মতুং ইন্দিয়াগী মনুংচনবা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি খা থংবা ভারতকী মফমশিংদা লৈরিবা কলচরগী থবকশিংদা থৱাই য়াউবা মীওইশিংনা মণিপুরি জগোই অসি নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা পুখৎলক্লবা মতেং চাউনা পাংখি হায়বসি ঐখোয়না খংবা তাবনি। মতম অদুদা হায়বদি অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাউ অদুগী মতুংদা ইন্দিয়ানা নীংখা তম্বা স্টেট অমা ওইদ্রিঙৈগী মতম অদুদা ফাউবদা মণিপুরি জগোইদি মালেমগী পুৱারীদা মমিং লৈবা জগোই অমা ওইখ্রে হায়বসি খংফম থোকই। মসিদসু ইন্দিয়াগী হান্না লৈরম্বা জগোইগী মশকশিংনা নমথদুনা থন্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। হায়রিবা মতম অদুদা ইন্দিয়ানা নিংতম্বা ফংলকপা মতমদা ইন্দিয়ান ক্লাসিকেল দান্স অসি মখল মরী খক্তমক ওইরম্বদগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়াম্না কুপ্পা নৈনরবা মতুং মণিপুরি জগোই অসি ৫ শুবা ইন্দিয়ান ক্লাসিকেল দান্স ফোর্ম অমা ওইনা শক খংলকখিবনি। হায়রিবা মণিপুরি জগোই অসি মালেমগী থাক্তমক নৎত্রবসু লৈবাক অসিগী তঙাইফদবা জগোই অমা ওইনা মসিগী ত্রেদিসন অমসুং কলচর অদুমক ঙাক্লা চৎপা খ্বাইদগী ফজবা লাইনিং লাইশোনগা মরি লৈনবা জগোই মখল অমনি হায়বসি শক তাকপা হৌরকখিবনি।

অদুবু মমাংগী মণিপুর লৈঙাক্তা লৈরম্বা চৎনা–লোনচৎ কয়া অদুদি ঙসিগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকা মরি লৈনবা মীওই কয়া অমনা মাংহন্নবা থৌরাং পায়খৎখ্রে হায়না লৌবা য়াই। মদুমক্লা মরম ওইরগা মণিপুরিশিংগী থিয়েতরশিং, সিনেমা অমদি অতৈ কলচরগা মরি লৈনবা আইটেমশিংদা মপূন্সিচুপ্পা কখোক্তুনা লাক্লবা মীওইশিংদা ইকাইখুন্নবা হায়বদুসু ঙসিগী লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা তাঙ্গা অমদা মশাগী চপ চাবা মথৌ পাংথোকপা ঙমদবা লোকেল ওইবা স্টেটসিগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা করি মথৌ তৌরিবগে অমসুং স্টেটসিগী কলচরেল হেরিটেজ অসি চাউখৎহন্নবা করম্বা থবক তৌরক্কদগে হায়বসি চিংননিংঙাই ওই। মালেমগী মীয়াম্নদি লমদমসিগী আর্ট এন্দ কলচরবু অসুক্কী মতিক অৱাঙবা ফীদা পীরবসু ইরমদমগী অঙম্বা য়াইতোং খমদোংবশিংনা খংশিন্নদবগুম্না মগুন লৈরবা মণিপুরগী কলচরগা মরী লৈনবা থৌরাং অমত্তা মতিং লৈনা ঙসি ফাউবদা পুখৎপিরক্রিবনি। ঈ–তোংদা য়াওরক্লবা য়েলহৌমীশিংগী আর্ট এন্দ কলচরগী মপান নাইদ্রবা তৌবঙম্বশিংবু খঙনা অনৌবা লুচিংবনা পায়খৎলকপা থৌরাং অসিদা মখা তানা মীৎয়েং চংশিল্লকনি হায়বা থাজবা লৈ।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### অঙকপা ময়াম মনুং চলহনিবগনু

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

তশেংনা পরিক্ষা পাস তৌদুনা মীং চন্নবগী পৈশা চংবদি য়াই অদুগা ফেল ওইবগী অমুক হন্না মিং চন্নবগী পৈশা তিংবদি পাম্মুই। হৌজিক লৈরিবা সরকার অসিনা শেঞ্জা থুমজা লৈতনবগী অচৌবা লম্বী কয়া শেমগৎপগী থৌরাংশিং পায়খৎলি। অদুবু য়াম্না চেকশিন্দবগী মওংগুম্না খুমন লম্পাক শেমগৎনবা থাদরকপা লু. ক্রোর ১০০ মফম খংখিদবগী ৱাথোক অমা চাওনা হেক্তা থোকইবসিনি। তশেংনা সরকারসিনা অকিবা খংহনবা লৈতবদগী অমদি ভোৎকী খুদোংচাবা লৌনবগী মরাল লৈরবা কয়াবু কনখৎপসিদি চুমদবনি। তশেংনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা খনবশিংনা রাজনিতি তৌরবদি পূন্নমক্কী য়াইফগনি। হৌজিক কেন্দ্র অমগী লমগী ৱাথোক লাকপদা নাকল অনিমক মাগী কেন্দ্রগী মীওই ঙাক্তনি। অনিমক সন্তাইনবা য়ানবা এম এল এ ওইরিবা মহাক্লা অনিমক জ্ঞান তাহনবা চংই। মদুদি নত্তদুনা নাকল অমদা তোংশিনবা হায়বসি মথংগী মশানা লম্বী ককচবনি। সরকারনা মাগী মাগী এরিয়াশিং খাইদোক্তুনা সোরোক্কী মনিংনা জাগা অদুগিনি মমাংনা অদুগী খায়দোরকইবা অসিগী ৱাংমদা নিয়ম লান্না চংশিল্লকপা হায়বসি সরকারবু থওইদবনি। সরকারদা শিংনবনি হায়না লৌবা য়াই। ঐগী ইমাংদা লৈবনি ঐনা হান্নদগী শিজন্নরকপনি হায়দুনা সরকারগী হুকুম ৱাংমদা লান্না লম লৌশিনবা য়ারোইদবনি। মসিদা সরকারনা য়েংদুনা লৈথোকপসু চুমদে। মসি লৈকায় অনিগী ৱাথোকশিং লাক্ত্রিঙৈদা সকারনা এরিয়া অসিমক কনাদা লৈবগে য়েংবা চুমই। অরানবা মফমদা চংশিল্লগা শেমজিন শাজিন তৌহন্দনবা তৌরম্বশিংসু লৌথোকহন্নবা থৌরাং পায়খৎপিয়ু। প্রজা মশেলদা কেন্দ্র অমত্তগী ওইবা এরিয়াশিংদা খৎনচৈনহনবা হায়বসি এম এল এ ওইরিবদু মীয়ামগী খন্দে তাকপনি। ৱাথোক ময়াম হৌনদুনা থোক্লরক্ত্রিঙৈ কেন্দ্র কেন্দ্রশিং এম এল এশিংনা মীৎনা শিংনা মশাগী কেন্দ্র মনুংদা চেকশিহৌবা চমগনি।

অদোমগী
কে ইবোচৌবা মৈতৈ
ইম্ফাল

# সনাতন ধর্মদা ইতিহাসকী মফম

ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা

সনাতন ধর্মগী মরুওইবা সাহিত্যদা ইতিহাসকী মথৌ অমসুং মগুণ চাউনা লৈ। তশেংনমক লোক শিক্ষাগীদমক্তদি ইতিহাস অমসুং পুরাণনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। বেদগী অৱাংবা ৱাখল্লোন্দু সাধারণ মীয়াম্না খঙবদা ৱাবনা বেদগা মীয়ামগা শম্নদবা তারকই। ফনা ফজে হায়দুনসু নৈনবা ঙমদ্রবা নৎত্রগা থবক ওন্থোকপা ঙমদ্রবদি ফজবদুগী কান্নবা লৈতে। মসিগী অহোবসিনি ইতিহাস অমসুং পুরাণনা মেনশিল্লিবসি। বেদবু প্রভুসংহিতা কৌনৈ অদুগা ইতিহাস অমসুং পুরাণবুনা সুহৃত সংহিতা হায়নৈ। হায়বদি ফনবা খনবা নৎত্রগা মরুপ মপাং ওইবা অদুগা সংহিতা হায়রগনা পাক শন্না নৈনবা হায়বনি। অদুনা প্রভু ওইরিবা সংহিতা হায়বদি য়াথং পীরিবা বেদগী ফগৎনবা, মরুপ মপাং ওইবা মওংদা পীরিবা নৈনরোলদা পুরাণ অমসুং ইতিহাসনি। ইতিহাসতা ৱারী কয়ামুক য়াওরি মখোয়দুনা শাস্ত্রনা তাক্লিবা হৌনলোনচৎ, থৌগল্লোন, লমচৎ–শাজৎ কখোকপগী ৱাখল্লোন, মরৈবাক নীংবা, ফিদম্নফম ওইবা থৌওংশিং লোয়ননা সমাজগী চৎনবিশিং অমদি মী মশেলদা লৈনবা মরী নচিংবগী ৱাফমশিংসি ইরায় লায়না খঙবা য়াবা মওংদা তাক্লি। থৱায় পান্দবশিংদা ফিদম্নফম ওইবা ৱারী শাহনবা, অরুবা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং খঙবা য়াবা লায়না তাকথোকপা অসিসু ইতিহাসকী মরুওইবা শক্তম অমনি। বংশচরিত, নিংথৌশিংগী, ভক্ত, জ্ঞানি, বৈরাগীশিংগী পুন্সি ৱারীশিং ময়েক শেংনা লীবসিসু য়াওরি। ইতিহাসনা লৌরিবা থৌদাংসিনা মীয়ামগা লৈনবা মরীদদি য়াম্না হেন্না ৱাংই।

ইতিহাসকী মনুংদা মহাভারত, রামায়ণ, যোগবশিষ্ঠ অমসুং হরিবংশ মশীং চল্লি। হিন্দু খুদিংমক্লা রামায়ণ অমসুং মহাভারতকী ৱারী খঙদবা য়াওদে। হিন্দু নত্তবশিংনসু খঙই। রামায়ণ অমসুং মহাভারত লীশিংলক তারবসু অদুম নৌদুনা লৈ। মখোয়দা য়াওরিবা মীওইশিংগী লমচৎ–শাজৎ কয়াগী মমি হিন্দুশিংতদা নত্তনা মীওইবা জাতিদা কন্না তারি। ধর্ম কমদৌনা ঙাক্কদগে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। নিয়ম চুম্না মীনা লেনবা পুন্সি মপান্দা ৱানা উরবসু নুংগী ওইনা ফংবা নুংঙাইবা লোয়ননা নিয়ম চুমদবা মীনা লেনবা পুন্সিনা মপাম্থোংদা নুংঙাইনা উরবসু নুংগী ওইনা ফংবা অৱাবা অসিনচিংবা কয়াসু ময়েক শেংনা উৎলি। পূম্নমকসিগী মথক্তা অধ্যাত্মাগী লুরবা ৱাখল্লোন কয়াসু লাইনা তাকথোক্তুনা খঙহল্লি। ভক্তি,, জ্ঞান, কর্ম, যোগ নচিংবা লম্বীশিংসু লাইনা তাকথোক্তুনা খঙহল্লি। শম্না হায়রবদা ইতিহাসনা শোক্তবা মফম য়াওদে। ইতিহাস কদায়বু কৌবগে হায়বগী সংজ্ঞাদা অসুম্না পীরি "ধর্মার্থকামমক্ষাণামুপদেশসমন্বিতং। পুর্ববৃত্তং কথাযুক্তমিতিহাসং প্রচক্ষতে।।" (ধর্ম অর্থ কাম মোক্ষ গী মরমদা পাউতাক পীবা ৱাফম্না পুল্লবা হান্ননা থোকখ্রবা ৱারীশিং য়াওরিবদু ইতিহাস কৌগনি।) মসিনা তাকপদি নিংথৌরোলশিংগী তোঙান তোঙানবা ৱারীদুখক্তবু ইতিহাস কৌবা য়াদে, মদুদগী মী অমা ওইবদা চংগদবা খুদিংমক ফংবা তাই মহাভারত, রামায়ণ নচিংবা ইতিহাসশিং অসি শোক তারিখ য়াওদে, অদুনা থোকখিবা থৌদোকশিং নত্তে, কনাগুম্বশিংনা শেমজিনবা কাব্যনি হায়না লৌনবসু য়াওই। তৌবতদি হায়রিবা মহাকাব্যশিংসিদা অদুগুম্বা ৱারীশিংবুদি মরাং কায়না য়াওই, তৌইগুম্বসুং ৱারী পরিংদদি ভাবনা শাজিনবা ওইফম থোক্তবা য়াম্না য়াওরি। মুনি অমনা অসুম্না লীখি হায়বা ৱারী ময়ামদুগী খুথাংদা ধর্ম কমদৌনা ঙাকপা, লন কমদৌনা ফংবা হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসি তাকপনি। ৱারীগী লাকইবা পরিংদুদা মথেল অমা ওইবতনি। অমরোমদা হায়রিবা লাইরিকশিংসিদা অদুগুম্বা নিংথৌদুনা অদুগুম্বা থবক অমা পাঙথোকখিবদু নক্ষত্র অদুনা অদুগুম্বা মফমদুদা থোকপা মতমদা ওইখিবনি হায়বসি মরু ওইবা থৌদোকশিংদা তাকই, হায়বদি অকক্লবা মতমদু তাকই। অদুগুম্বা মতমদুমক ভাবনা শাবা উপন্যাস কুম্না লৌবদি চুমদে। থোইদোক হেন্দোক্লা মফম অমসুং মতম অদুগা মখোয়গী নীংশিংনবা য়াবা খুদমশিংসু লৈ। ৱাফমসোমদা কুপ্না নৈনজদ্রে। লৌখৎচনীংবদি ইতিহাসশিংসিগী মগুণশিংদুনি।

রামায়ণসি আদি কাব্য হায়বদি খ্বাইদগী লিরবা কাব্যনি হায়না লৌনৈ। বাল্মীকীনা লেংলম্বনি। মসিদা সূর্য্য বংশগী খ্বাইদগী মগুণ লৈরবা নিংথৌমচা মরিগী ৱারী লীরি। মচীনমনাও, মমা–মচা, মপা–মচা, মরী–মতা, নিংথৌ–প্রজা অসিনচিংবা মরীশিংদা ফিদম্নবা য়াবা মওংদু কদায় ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াবগে হায়বদু কাব্যসিগী মেঙনা অর্থ চেনবা পরেংশিংনা নৌদুনতা লৈরবা লোন্দা মী লীশিং লীশিংগী থম্মোয়বু হুদুনতা লৈরি, মীরোন খুদিংদা পাউতাক পীরি। শ্রীরামচন্দ্রবু অবতারনি হায়না থাজনৈ। মহাক্কী ৱাঙাং, লীচৎ অমসুং ফিদম নৌদুনতা লৈরবা তমজনফমতা ওইরবা মওংনি। মরমসিনা, মার্য্যদা পুরুষোত্তোম হায়নরি। ফত্তবদা হৈনরবা হিংচা লীচৎ চৎপা মীওইশিংবু, থোইদোক্লা অদুগুম্বা মীওইশিংগী লূচিংবা রাবনবু মরু ফংনা মাঙহনবীদুনা নুংঙাইরবা সংসার অমা শেম্বীরম্মী। শম্না হায়রবদা ভারতবাশী খুদিংমক্লা তমজরিবা ফিদমসি শ্রীরাম, লক্ষ্মণ, ভারত, শত্রুঘ্ন, হনুমান্নচিংবগী চরিত্রশিংবুনি, অদুগুম্না নুপীশিংনসু সীতা দেবীগী চরিত্রবুনি। রামায়ণগী মগুণ, ৱারী অমসুং ফজবা অমুক শীংথারুবগী থোইদোক্ত্রে। মহাভারতসু থোইদোক হেন্দোক্লা ফিদম্নফম ওইরবা চরিত্রশিংতনা থল্লবা, মী মখল খুদিংগী, পুন্সিগী থাক খুদিংগী মীওইশিংনা তমজনফম ওইরবা পৃথিবীদা লৈরিবা লাইরিকশিংদগী খ্বাইদগী চাউরবা শ্রীকৃষ্ণদ্বৈপায়ণ বেদব্যাস মুনিগী খুদোলনি। গ্রীক্কী মমিং চৎলবা লাইরিক ইলিয়দ অমসুং ওডিসি অনীনা পুনবগী শরুক তরেৎতগীসু হেন্না মহাভারতনা চাউই। ভগবানমক্লি থাজনরবা শ্রীকৃষ্ণনা যুধিষ্ঠিরনচিংবা পাণ্ডুগী মচা মঙাগী মীচংদা লৈরগা মবুক ফৎত্রবা দুর্য্যোধন্নচিংবা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংবু মাঙহনবনা লাইরিক অসিগী মপুং ওইবা ৱারীনি। খ্বাইদগী ফজরবা লাইরিক শ্রীমদ্ভগবতগীতা হায়বসিসু মহাভরতগী লৌথোরকপনি। হিন্দু খুদিংমক্লা রামায়ণগী ৱারী খঙনবগুম মহাভরতকী মখল মথেল য়াম্নবা ৱারী মশাশিং য়াওনা খঙনৈ। লাইরিক অসিদা নৈনদবা পুন্সি মখল য়াওদ্রে হায়নৈ। হরিবংশসু ভগবানগী তোঙান তোঙানবা লিলাশিংগী পরিং ইবা লাইরিক্লি। মসিদা মহাভারত অমদি রামায়ণনচিংবনা তাকপা লোইহৌদবা ৱারীশিং লীরি। যোগবশিষ্ঠ হায়বসিদি খ্বাইদগী ঙকপা মওংগী লাইরিক্লি। প্রভু রামচন্দ্রদা ঋষি বশিষ্ঠনা তাকপা অধ্যাত্মাগী মনুং হুঞ্জিনবা তাকপা ৱারী লাইরিক্লি। লাইরিক অসিদা তাক্লিবা মপুং ওইবা ৱাফমদি মফম, মতম অমসুং ফীভম হায়বসিনা জগৎ ওইবনি, য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লবদি জগৎ হায়বসি লৈতে, মরম অদুনা মফম মতমনচিংবশিংসু লৈরে হায়বসিনি। লীলা কৌবী মহারাণী অমদা সরস্বতীনা ৱাফম অসিবু তাকপা ওইনা ৱারী লীরি।

ইতিহাসশিং অসিগী চাউরাকপা শক্তম অমত্তং থমজবনি। হৌজিক্কী মতমদদি রামায়ণখক্তদা মখল কয়া থোক্লা ফংলে, অদুগুম্বা মহাভারতসু অদু মঙায়। তোঙান তোঙানবা অইবশিংগী খর খরা খেন্নবা (ৱারী মপুংবুদি খেন্নদবা) রাময়াণ, মহাভারত মরাং কায়না লৈরে। অধ্যাত্মা রামায়ণ, রামাচরিতমানস, আনন্দরামায়ণ, অদ্ভুতরামায়ন অসিনচিংবা রামায়ণ কয়া অমসু লৈরি। থোইদোক্লা খঙবা য়াবা ৱাফমদি রামায়ণবু ভারতখক্তদা নত্তনা পৃথীবীগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লম–লমদুগী কবিশিংনা মাগী মাগী শৈলী অমসুং লোন্দা ইরম্বগী ৱাফম লৈরি। পনবা য়াবশিংদি চীনাদা ইংশোক ২৫১, ৪৭২ দা মথংশিৎনা কিংনা লিউ তউত্ব অমসুং ত্বাং কিং না ত্বং পাউ হায়না মমিং থোল্লগা রামায়ণবু ইথোকখি। ৭ শুবা শতাব্দীগী শক তাক্ত্রবা কবি অমনা রামায়ণবু চিনা লোন্দা লংকা সিহা হায়না মিংথোন্দুনা ফোংখি। অসুম্না নোংপোক তুর্কীদা ৯ শুবা শতাব্দীদা খোতানি রামায়ণ হায়না মিংথোল্লগা ফোংখি। তিব্বত তসু অহুমশুবা শাতাব্দীদা তিব্বতী রামায়ণ, ১০ শুবা শতাব্দীদা শাম্বো য়ে কোতোবা অমসুং হোংবুৎসুনা, তোঙান তোঙান্না জাপানগী রামায়ণ ফোংনখি। ইন্দোনেশিয়াদা হরিশ্রয় (হরিশ্রয় ককবিননা লেংবা), রামপুরাণ, অর্জুনবিজয় রামবিজয়, বীরতন্ত্র, কপিপর্ব, চরিত্র রামায়ণ, ককবিন রামায়ণ, জাবী রামায়ণ, মিসাসুব রামায়ণ, কেচক রামায়ণ, থাইল্যেণ্ড দসু রামকিয়েন, লাউস্ তসু ফালক ফালাম, পোম্মাচাক, মলেসিয়াদসু হকায়ত শ্রীরাম, হকায়ত মহারাজ রাবন, কম্বোডিয়াদসু রামকীর্তি, শ্রীলঙ্কাদসু লুঙ্কাপতি কুমারদাসনা লেংবা জানকী–হরণম, ফিলিপিনস তসু মহরাদিয়া লাবনা, বর্মা (ম্যান্মার) দসু রামাবস্তু (১৭ শুবা শতাব্দী), মহারাম (১৮ শুবা শতাব্দী), রাম তোন্ময়ো (১৯০৪), রামতাজী (১৭৭৫ ইং), রামায়গ্রান (১৭৮৪ ইং), অলোগ্যরাম তাজ্যী (১৯০৫), থিরিরাম (১৮ শুবা শতাব্দী), পোন্তবরাম (১৮৮০ ইং), অমসুং পৌন্তব রামলখন (১৯১০ ইং) হায়না ফোংনখি। অসুম্না রামায়ণ মখল ৩৬ লোম তোঙান তোঙানবা লোন অমসুং লৈবাক্তা ফোংখি। (কল্যাণ, মশীং চহী ৬৮, লামায় ৩৯৪–৫)। সিদসু নত্তনা বঙ্গালী, মরাঠী, তামিল, তেলেগু, মলায়লম নচিংবা ভারতকী লোনশিংসিদা মহাভারত, রামায়ণনচিংবা লাইরিকশিংসি মাগী লোন্দা ইথোক্লখি।

মহাভারতনচিংবা ইতিহাসশিংদগী যুগনচিংবগী হৌখিবনচিংবা মতম লেপ্নবা ঙম্মী। কলিযুগ হৌখিবসি খৃষ্ট মমাং চহী ৩১০২ গী ফেব্রুৱারী তাং ১৭ অমসুং ১৮ লোন্নবা অহিং নোংয়াই মতমদগীনি (হিসাবসি গ্রেগোরিয়ন কেল্যাণ্ডরগী চৎন–পথাপ্তা হোৎকৎপদা তাবনি।) নুমিৎ অসিমক্তা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা স্বর্গাহরণ ওইখি। শ্রীকৃষ্ণনা মাগী মুর্তি ওইনা লিলা শান্নবীরম্বা চহীনা ১২৫ থা ৭ নি। কলিযুগ হৌগদবা চহী ৩৬ কী মমাংদা মহাভারতকী লাঞ্জাউ থোকখি। [ Astronomical Dating of the Mahabharata War - Dr. Vedvyas, IAS, Ph.D., founder president, Yoga Brotherhood of America.] অসিনচিংবা ৱাফমশিং অসি হৌজিক্কী অখণ্ড অহৈশিংনা মাগী মাগী হৈনবা মওংদা লেপ্লে। তৌববুদি তোঙান তোঙানবা খুৎহোক্তা শোক তারিক খর খেন্নদবদি নত্তে। মথক্তা থমজরিবসি খুদম অমত্তং লৌখৎচবনি। তোঙান তোঙানবা পণ্ডিতশিংগী মত কয়া অমা লৈতবদি নত্তে। পুখৎচনিংইবা ৱাফমদি মহাভারত রামায়ণনচিংবা লাইরিকশিংসি ইতিহাস ওই মরমদি মখোয়শিংসিদা মতম অমদা থোকখিবা থৌদোকশিংদু ইরি, উপন্যাস, নৎত্রগা কনাগুম্বা কবি অমগী পুকশেম নত্তে হায়বসিনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু লাইরিকশিং অসিনা হিন্দু সমাজদা মরুওইনা অদুগা পাক শন্না মীওইবা জাতিদা পীরিবা ইথিলদি হায়নীংঙাই লৈতনা চাউই হায়বসিমদি চুম্লবনি।

# সংসার–২

স্বামী শিবানন্দ

*মমাং লৈবাকপোকপগী মখা...*

সংসারগী নুংঙাইবা পূন্নমক অসি অহানবদদি অমৃতগুম উই, তৌইগুম্বসুং, মমৈথংদদি তমথিরবা হূ অমা ওইরকই। মসিগী সংসার অসি নুমিৎ নিনিগী মেলা অমনি, অদুগা মসিগী হকচাং অসিনা ইচম–চম্ব মিকুপ অনিদংগী শক–উৎপা অমনি। নহাক্লা সংসার অপূন্বা অসিগী অমত্তা ঙাইরবা সম্রাট অদু ওইরবা ফাওবদা নহাক্লা অশেংবা কৃপা অমসুং শান্তিগী নুঙাইবা অদু সুকফং ফংবদি ঙম্লোই।

সংসার অসিদা লৈরিবা মীওইবগী পুন্সি অসি অথেন্বা পামহনবা অমসুং অৱা–অনাগী পূন্সি অমা নত্তনা অতৈ করিসু নত্তে। অশেংবা অদুবুদি সংসারগী পোৎশিং, অসিবা অমদি শৈতালশিং অসিনা থেন্বা ঙমদে।

মায়কৈ পূন্নমক্তা মপান খাজিল্লবা, তোঙান–তোঙানবা ফিবমশিংদা মতম পূন্নমক্তা অকা–অকুম তৌদুনা নহাকপু মতম পূন্বমক্তা অপাকপা নূংপাকথক্তা চাইনা তারবা লৈঙোই মকূপ –কুম অপঙবা অমসুং অৱা অনাশিং অসিনা হুমদুনা পুরি। হৌজিক তশেংনমক লোইবা নাইদ্রবা মতমগী ঈচেল অসিদা নহাক্কী চহি ১০০ গী পুন্সি অসিবু মিকুপ অমতং ওইনা লৌবা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা ফিবম অসিদা নহাক্লা করম তৌনা নহাক্কী পুন্সি অসিবু পোঙন–চাউনা লৌরিবা অমসুং পেনবা নাইদ্রবা অপান্বশিং অসিদা তাদুনা মখল পূন্নমক্কী নীংবা–কায়বদু মায়োক্লরিবা? নপূক্লীং পূন্নমক অসি পূমনৈ–নৈরবা, নহাক্কুম্না পূন্সিদা ইজ্জৎ–মাঙবা কনা লৈরিবগে? করিগুম্বা অমত্তসু শিংথানবা য়াবা থৌদোক থোক্ত্রবা মিকুপ অমা ফাওবা খন্ননিঙাই ওইদ্রবা নপূন্সি অসিমক ঈকায়নিঙাই ওইরবা অরানবা ঙাক্তগী পূন্সি ওইরবনি।

মশীং থিঙমদ্রবা সংসারশিং অসিগা চাংদম্নরুরবদি পুন্সি অসিদি এটোম অমগুম্না খন্দবা ঙম্লোই। অদুগা অৱা–অনাশিংনাথল্লবা সংসার অসিবু নহাক্লা ৱাংন লৌরুরিবা অসিমক অঙকপা অমনি।

খ্বাইদগী চাউরবা মীশককশিং ফাওবা মতমগী মতুংইন্না তোল্লবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী তোল্লবা অদু ওইরক্কনি। নুঙাইবশিং, অচৌবা মীশিং অমসুং মখোয়গী মরি–মতাশিং অসি হৌখিবা মতম কয়াদা উখ্রবা ঙাক্তনি। হৌজিক পোৎ পূন্নমক্কী মশাগী ওইবা শোয়দবী হারবদুবু কদায়নো? মশীং থীঙমদ্রবা উপগ্রহ কয়া মখোয়গী মশীং লাকঙমদ্রবা নিয়মশিং অমসুং কান্নরবা লল–থুম কয়াগা লোয়ননা উফুল মরিক্কুম মাঙখ্রবনি। দেবলোক কয়া মখোয়গী ইন্দ্র কয়াগা লোয়ননা মাঙখ্রবনি। সংসার অসি মশীং কয়া শুরিবগে হায়বদু চাং তম্লুবা ঙমদ্রবনি। ব্রহ্ম অমসুং জীব কয়া লাকই অমসুং কয়া অমা চৎখ্রে। অদুগা মিৎয়েংদগী মাঙখ্রিবা পোৎশিং অসিবু কদায়দা চৎখ্রিবনো? পৃথিবীগী ওইবা পুন্সি অসিগী লেঙদবা মতৌ হায়বদুবু কদায়দা লৈরিবনো? মসি নত্ত–ওইদবা মায়াগী মন্নবা অহিং অসিদা সূপ্নগী নহাক্কী অপঙবা হকচাংগী ওইবা অপান্বগী শাংলবা মঙ অমা মঙলুবদগী নহাক্লা নশাবু অসিগুম্বা ইজ্জৎ মাঙবা অপঙবা ফিবম অসিদা তাহল্লিবনি। ওক্লে, হৌখিবা মপোক কয়াদা নহাক্লা শিরকখিবা পূন্নমক অদুনা ওক্লে। পৃথিবী অসিদদি অহৌবদসু ময়াইদসু অমদি অরোইবদসু করিগুম্বা কান্নবা পোৎ অমত্তা লৈতবনি। পোৎ পূন্নমক অসি মাঙনা তাক্লবা হায়বা অদুনা য়োমদুনা শাবা ঙাক্তনি নৎত্রগা? নহাক্লা নহাক্কী নুতিগী ওইবা পুন্সিদা অকিবা ফংলবা পাপকী থবক কয়া, অৱা অনানা থল্লবা থবক কয়া অমদি মশীং থীঙমদ্রবা হিংসাগী থবক কয়া তৌরি।

পাখঙ ফারকপদা নহাক অসি জ্ঞান তাদবা হায়বদুনা য়োমশিল্লি, অহল ওইরক্লগা নুপীগী লাংদা থুই, হনুরক্লগা সংসারগী পোৎলূম অমদি পুব–থাংবা ঙম্লক্তবশিং অসিদগী তেংথাদুনা নাহে–নাহে ঙাওই। অদুদগীদি নহাক, নহাক্কী থোকপা য়াবা থৌদোক অমদা শিরে। মতৌ অসুন্না মতম পূন্নমক্তা চিন্দুনা লৈবনি। অদু ওইরবদি নহাক্লা করম্বা মতমদা ধর্ম্মগী থবকশিং পায়খৎপা ঙমগদৌরিবনো? কমদৌনা সংসার অসিগী মায়া হায়বসিনা শান্নবা অমদি জগোই শাবদা য়াওরিবনো? মসি নহাক্কী পূক্লীংগী ভুট অসিনা সংসারগী দ্রামা অসিদা ইন্দ্রিশিংগী ঈশৈ সুরদা জগোই শেম্মী অমসুং মাঙখি। মখোয়শিং অসিগী মমাঙদা নমিংদা ঙাইরবা জীব নহাক্লা করি ওইগনি?

নহাক্লা সংসার অসিবু, নহাক্কী নুপী অমসুং অঙাংশিংবু পেলহনবা ঙমদে। হনুবা নুপা মপা–মচা অমসুং গাধাগী ৱারী অদু নীংশিংউ। শাস্ত্রশিংদা মসি হায়রি। "অশেংবা মী অসিবু লাই ফওবা ওইনা হৈশিংলবা মীশক অমবু অয়োনপোৎ ওইনা অখাঙ কনবা মীবু অশোনবা অমা ওইনা, অকনবা মীবু তমথিবা অমা ওইনা, চোংলম–চাদবা মীবু হুরানবা ওইনা, অদুগা মশক ফজবা মীবু মপুক শেংদবা অমা ওইনা ব্যবহার তৌই। অদুদি সংসার অসিবু কনানা নুঙাইহনবা ঙমগনি, কনাগুমবা অমনা মী পূন্নমক অসিবু পেলহন্নবগী উপায় অমত্তা জ্ঞান হায়বা অসিমক্কী মনুংদা য়াওদে। কনাগুম্বা অমগী মশামক্কী অফবা অদুদবু ওইবা য়াবা উপায় পূন্নমক্লা য়েংশিনগদবনি। মরৈ লিশিং তরা পানবা সংসার অসিনা করি তৌবা ঙমগদৌরিবনো?"

থৌজালগী মশক ওইবা ভগবান্না হায়ঃ "হে পাণ্ডব! ভক্তশিংবু হঙ্গোইদ্রবা, শক্তিশিংবু মপান্দা থাদোক্ত্রবা অপঙবা কোক্লবা, হিংলিঙৈ অসিদা অপান্বা থাদোক্তুনা পোৎশিং অসি শোকহন্দনা লেঙদনা লৈরবা অমদি অৱাবা অমসুং নুঙাইবা অনীমক্তা পোৎশিং অসিদগী তোঙান্না লৈদুনা লৈবাক মচেৎ অমগা, নুং অমগা সনাগা মান্ননা লৌরবা, নুংশিবিরবা অমদি নুংশিবিদ্রবা, থাগৎপা অমদি বদনাম তৌবা, য়েক্লবা অমসুং মরুপশিংবু মান্ননা লৌরবা, পূন্নমক অসিবু থাদোক্লবা মহাক অদু সংসার অসি লানথোক্লবনি। অদুগা ঐহাকপু অমতা ঙাইরবা ভক্তি যোগনা সেবা তৌজরবা মহাক অদু অমর খুভম ফংজনবগী মতিক চারবনি।" (গীতা পঃ ১৪/২২.২৬)

আধ্যাত্মিক্কী অৱাংবা থাক অসি ফংননবগীদমক নহাক্লা অহানবদা থৱায় নৎত্রগা আত্মাদা হঙজরবা পুন্সিগী মগুণ অদু মপূঙফানা খঙজগদবনি। মদুদতদা নহাক্লা মসিগী সংসার অসিবু ঙাকপীবা লৈতনা কাউথোকপা অমদি ইনথুবা অমসুং আত্মাদা ধ্যান তৌজদুনা বৈরাগ্যদা–চঙজরবা পুন্সি অমা ওইনা লেঞ্জবা ঙমগনি। মখাদা পীরিবা গীতাগী শ্লোকশিং অসি তত্তনা নীংশিংজবা অমসুং ধ্যান তৌজরবদি নহাক্কী লমথুংফম অদু ফংজবদা য়াম্না মতেং ওইগনি।

"মহাক্কী আত্মা অদু মপাম্থোংগী ওইবশিং অসিগা মরী লৈনদ্রবা অমদি আত্মাদা নুঙাইবা ফংলবা, যোগনা মরম ওইদুনা মহাক মশা মথন্তনা লোম্ব নাইদবা অদুগা চাশিন্নরবা মহাক অদুনা অমাঙ অতা লৈত্রবা নুঙাইবদু ফংজৈ।" (অঃ ৫/২১)

"ইন্দ্রিশিংগী ৱাংমদা লৈখ্রবা জ্ঞানতনা লাকশিনবা ঙম্বা অথোইবা নুঙাইবা অদুদা লেঙদনা লৈরবা, অচুম্বদগী হন্দোক্ত্রবা মদুবু ফংলবদা তানগদবা অতৈ অমমুক লৈত্রবা অদুদা লেঙদনা লৈরবা মহাক অদু অকনবা অৱাবনা ফাওবা লেঙহনবা ঙমদে।"(অঃ ৬/২১–২২)

"মতম পূন্নমক্তা আত্মা অদুগা চাশিন্নরবা যোগী অদুদদি পাপ হায়বসি চঙদ্রে, মহাক্তি লোম্ব নাইবা অদুগা নক্লরবা মপান নাইদ্রবা কৃপাগী নুঙাইবা অদু লাইনা ফংবা ঙমই। (অঃ ৬/২৮)

"হকচাং অসিদা লৈরিবা অসিনা গুণ অহুমগী ৱংমা লানখ্রবদা হকচাং পূম্বমক অসিদগী লাম্থোকখিদুনা পোকপা, শিবা, অহল ওইবা অমদি অৱাবশিং অসি কোকচদুনা লোম্ব নাইদ্রবা অমরগী অমৃত অদু থকচৈ।" (অঃ ১৪/২০)

চান্নরবা মরুপশা। নখোয়গী হোৎনবা অদু কোমথোক্কনু। আধ্যাত্মিক্কী মৈরি অদু লেপ্তনা চাকহল্লু। হৌজিক, নখোয়গী লমথুংফম অদু নকশিল্লক্লবনি। নঙাল অদু লাক্লবনি। নখোয়গী নমায়দা ব্রহ্মতেজ ফাওরবনি। নখোয়না অধ্যাত্মিক্কী লম্বীদা চোকথবা লৈতনা অমদি খাঙবা কনবগা লোয়ননা সাধনা তৌজরক্তুনা লানঙমদ্রবা অৱাবা চীংদোল কয়া লাম্থোরক্লবনি। তশেংনমক, মসি য়াম্না শিংথানবা য়ারবা অমনি। অশেংবমক, নখোয় য়াম্না খুমাংঙ চাউশিল্লক্লবা অমনি। নখোয়গী নতৌ অসিদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইজরে। হে যেগিন্দ্র! অদুবু নখোয়, চীংদোল অমসু কাখিবা তারি, অমদি হেন্না ঙল্লবা চীং লম্বী অমসু চৎখিবা তারি। মসিগী খোঙচৎ অসিদা হেন্না কন্না হোৎনবা অমদি পাঙ্গলগী দরকার ওইরি। নখোয়না নখোয়গী সাত্ত্বিক গুণগী অপান্বশিং অসি থাদোক্কদবনি। ব্রহ্মকর বৃত্তিশিং অসিসু শিথখিগনি। মদুতদা, নখোয়না ভূমা হায়বা পুন্সিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা লমথুংফম অদু ফংজগনি। নখোয়না মসি তৌবা ঙমগনি হায়বসিদা ঐহাক্লা য়াম্না থাজে।

*মুনিপুরিদা হন্দোকপাঃ*
*আর কে সনাজাওবা*

# থাজবা ধর্ম্মগী কাংলোনদা মন্দদোরী

লামফমদা তুরবা রাবনবু উবদা ধর্ম্ম চেল্লবী অমসুং অশিংবী মন্দোদরী অৱাবনা থুমহৎলমই। অদুবু মহাক মবুন্ধি থৌই অমসুং রাবনগী পুন্সিগী শক্তম চুম্না য়েংদুনা মাগী অৱাবা অদু অচুম্বা ধর্ম্মগী ৱাখন্না মথৌ শংই–হায়না শ্রী অর কৃষ্ণমুটি শাস্ত্রীনলনা খন্ন–নৈনবা অমদা হায়খি।

মহাক্লা রাবনগী অহেনবা মথৌনানা গর্ন্ধবশিং, চরনশিং অমসুং ইন্দ্র ফাওবা কিহনখিবাঅদু নিংশিংদুনা তেংথারি অদুদি নুপা অমগী তেন্না পান্দুনা তাদুনা লৈবদু ইকায়বগী মশক্তি খল্লি। অদুবু রাম অচম্বা মী অমা নত্তে। জানস্থানদা হিংচাবা পুন্নমকপু মহাক্লা (রামনা) মাংহনখিবগী অচুম্বদু চিংননা ফোংদোকচরকই। নৎত্রগা ইচম চন্না য়োং অমনা ইরাই লায়না লঙ্কাদা চংলকপা অমসুং মহাসাগরদা থোং শারিবা?

লায়বক্লা রামগী মুর্তি ওইদুনা অমসুং মিত্রংগুম্বা ফজবী অমনা সীতাগী মুর্তি লৌদুনা রাবনবু হাৎখ্রে। মহাক্কী অফবা অচুম–অরানগী ৱাখন্না রামবু মহাযোগী, অহীবা, ময়ায়নবগা অরোইবা লৈতবা পরমত্মা অদু ওইনা উই। মহাক খ্বায়দগী হেন্না ৱাংবদগীসু হেন্না ৱাংই খ্বাইদগী পুকচেল চাউবদগী হেন্না পুকচেল চাউই। মহাক পংবনা মমহল্লবা অদুগী ৱাংমদসু ঙালহনবা মঙালনি।

মন্দোদরীনা মহাক্কী অমত্তা ঙায়রবা নাপলনা থল্লবা পারী–পুরীগী চাওখৎলবা পুন্সি অদুদা হন্না য়েংলকই, লোয়ননা মাগী নুপাগী মীংচৎ অমসুং মচা নুপাগী চাওথোকচনিঙাই ওইরবা গুনশিং অদুবুসু নিংশিংলকই। মহাক্লা নোংমতগী ওইবা পুন্সীগী শক্তম খংই অমসুং নোংদম্বগী খোংচৎনা পুরকইবা লম্বীনা হৌখ্রবা অফবা মতমগী মহুৎ শিলহৌদুনা মী অমনা ফৎতবা থবক তৌদুনা মহাক্কী পুন্সী মরায় চাইথরকপা অদুসু উই। অহিংবা খুদিংমক মরম অমনা শোয়দনা শিরগদবনি। রাবনগী মতাংদনা মহাক্লা সীতাবু পাম্লুবনা মহাক্কী শিজনবগী ৱার্তন কৎলুবা তারি। মহাক্কী লৈখা তানবগী মরম রামনা মপাম্থোংদা ওইরুবগী ৱানি। মী অমনা অরানবা থবক তৌরুরবদি মদুগী মহৈ মতমগী মতুং ইন্না শোইদনা ফংগনি।

রাবননা মাগী অচৌবা নুপাথোক্লা পাংথোকপনি খঞ্জবা হায়বদি মহাক্কী ইন্দ্রিশিংবু পুন্না খুদুম চনবা অদুনা ওনখৎতুনা মাগী মথক্তা তারে। মহাক্লা ফংজখিবা বর অমা মদুগী মহৈ ফংনবা হোৎনবদা মাগী ইন্দ্রিশিংবু তমথীনা নমথেকখিবা অদুগী লমন শিংনবা ইন্দ্রিশিংনা হোৎনবদু মপুং ফানা মায় পাকখ্রে হায়না লৌবা য়াই।

*কর্টেসিঃ ডি হিন্দু*
*মণিপুরীদা– বি এ শর্ম্মা*